# মণিপুরদগী উদান্তা, চিংলেনসনা, জিক্সন, সুরেশ অমসুং য়াসির ইন্দিয়াগী টিম লাউথোকপদা য়াওখ্রে



ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপাগী সিনিয়র টিমগী চীফ কোচ ওইরিবা ক্রোএসিয়া মচা আইগোর ষ্টিমেকনা মথং থাগী ১দগী মালদিভসনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা সাউথ এসিয়ন ফুটবোল ফেদরেসন (এস এ এফ এফ) চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা শরুকয়াননবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ২৩গী মমিং লাউথোরকপদা মণিপুরদগী কুমাম উদান্তা, কোন্সম চিংলেনসনা, থৌনাওজম জিক্সন, সুরেশ ৱাংজম অমসুং য়াসির মহমদ য়াওখ্রে।

খনগৎলবা শান্নরোয় ২৩ অসিনা হয়েং বেঙ্গলুরুদা সপোর্ট ষ্টাফশিংগা লোয়ননা পূল্লবা মতুং মথংগী নুমীৎতা মালদিভসকীদমক্তা খোঙশানগদৌরি। মালদিভসনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা সাউথ এসিয়ন ফুটবোল ফেদরেসন চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা টিমশিং অদুদি বাংলাদেশ, নেপাল, স্রি লঙ্কা অমদি য়ূম্বু লৈবাক মালদিভসনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা টিম মঙা অসিনা রাউন্দ রোবিন ওইনা মেটচ অনীরক-অনীরক থেংনগদৌরি। মদুদা খ্বাইদগী মকোক থোংবা টিম অনী অদুনা ওক্টোবর ১৬তা ফাইনেল লম্বা তৌগদৌরি। শান্নরোয় ২৩ অসিগী মমিং লাউথোকখিবগা লোয়ননা হেদ কোচ আইগোর ষ্টিমেকনা ফোঙদোকখিবদা এস এ এফ এফ চেম্পিয়নশিপ অসি ইন্দিয়াগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইগদৌরি। টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়ানা পূন্না মেটচ ৮ শান্নগদৌরি। গেমশিং অদুনা মথংগী সিজনদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমনা এসিয়াগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্টকী মনুংদা অনীশুবা ওইরিবা এ এফ সী এসিয়ন কপ ক্বালিফায়রগী অহুমশুবা রাউন্দ শান্নবদা চাওনা মতেং পীগদৌরি।

নীংশিংবা য়াবদি, মমাংদা এস এ এ আর সী (সাউথ এসিয়ন এসোসিএসন ফোর রিজনেল কোওপরেসন) কপ হায়না খঙনরম্বা অদুগা হৌজিক্না এস এ এফ এফ চেম্পিয়নশিপ হায়না খঙনরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি ৭লক টাইটল লৌবা ঙমখ্রে। কুমজা ১৯৯৩দা পাকিষ্টানগী সিটি লাহোরদা পাঙথোকখিবদা ইন্দিয়ানা চেম্পিয়ন ওইখি। ১৯৯৭তা নেপালনা য়ূম্বু ওইরগা কাথমান্দুদা শান্নখিবা ইদিসন অদুদসু মকোক ওইবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী গোৱাদা লৈবা মারগাও সিটিদা কুমজা ১৯৯৯দা ইন্দিয়ানা টাইটল ফংখি। পাকিষ্টানগী কারাচিদা ২০০৫দসু মকোক ওইরগা চহী ২৩ মখাগী টিমনা বাংলাদেশকী ধাকাদা কুমজা ২০০৯গী চেম্পিয়ন ওইখি। লোয়ননা ন্যু দেল্লীদা কুমজা ২০১১দা অমদি টিরুবনন্থপুরমদা কুমজা ২০১৫-১৬কী টাইটল অদুসু লৌখি।

খনগৎলবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ২৩ অদুদি গোলকিপরদা গুরপ্রিট সানধু, অর্মিন্দর অমসুং ভিশাল কেথনি। দিফেন্দরদা কোন্সম চিংলেনসনা, প্রিটম কোটল, সেরিটোন ফর্নান্দেজ, রাহুল ভেকে, সুবাসিশ বোস অমসুং মন্দর রাও দেসাইনি। মিদফিল্ডরদা কুমাম উদান্তা, থৌনাওজম জিক্সন, সুরেশ ৱাংজম, য়াসির মহমদ, ব্রেন্দন ফর্নান্দেজ, লালেমাৱিয়া, অনিরুথ থাপা, সহাল অব্দুল সমাদ, গ্লেন মার্টিন অমসুং লিষ্টোন কোলাকোনি। লোয়ননা ফোরৱার্দতা মনভির সিংহ, রহিম অলি, সুনিল ছেত্রি অমসুং ফরুক চৌধরিনি। ইন্দিয়ানা অহানবা মেটচ অদু বাংলাদেশকা ওক্টোবর ৪দা শান্নগনি। ওক্টোবর ৭তা স্রি লঙ্কাগা, ওক্টোবর ১০দা নেপালগা অমদি ওক্টোবর ১৩দা মালদিভসকা শান্নগনি।

# ইন্দিয়াগী সানিয়া মির্জা অমসুং চাইনাগী স্বাই ঝাংগী প্যেরনা ওষ্ট্রাভা ওপন টেন্নিসকী নুপীগী দবলস চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ওষ্ট্রাভা, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী): চেক রিপব্লিককী সিটি ওষ্ট্রাভাদা পাঙথোকপা ৱিমেন্স টেন্নিস এসোসিএসন (দব্লিয়ু টি এ) ৫০০ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী সানিয়া মির্জা অমসুং চাইনাগী স্বাই ঝাংনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসি জে এন্দ টি বনকা ওষ্ট্রাভা ওপন হায়নসু খঙনৈ। সানিয়া মির্জানা চাইনাগী স্বাই ঝাংগা লোয়ননা অনীশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবনি। মখোয়না ফাইনেলদা অহুমশুবা সিদেদ য়ু এস এগী কে কাইটলিন খৃষ্টিয়ন অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী ইরিন রাউটলিপপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-২দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

পনবা য়াবদি, সানিয়া অমসুং ঝাংনা মখোয়গী ফাইনেল য়ৌরকপগী লম্বেলদা অহানবা রাউন্দদা য়ু এস এগী ঈ বেক্টাস অমদি গ্রেট বৃটেনগী টিমুরবু ৬-৭ (৩-৭), ৭-৫, ১০-৭তা থোইরম্বনি। ক্বার্টর ফাইনেলদা বেলারুসকী এল মারোজাভা অমসুং কজাখষ্টানগী অনা দানিলিনাবু ৬-৩, ৩-৬, ১০-৬তা থোইরগা সেমীফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ জপানগী প্যের ঈ হোজুমি অমসুং এম নিনোমিয়াবু ৬-২, ৭-৫দা থোইবা ঙমখি।

মশাগী চহী ৩৪ শুরবী ইন্দিয়াগী সানিয়া মির্জানা ঙরাং অথেংবদা ফংখিবা টাইটল অসিনা কুমজা ২০২১গী ওইনা মহাক্কী অহানবা টাইটল ওইখি। হৌখিবা থাদা য়ু এস এদা পাঙথোকখিবা ২৫০ টুর্নামেন্ট অমদা রন্নর্স অপ তাখিবনি।

ওষ্ট্রাভা ওপন টুর্নামেন্ট অসিগী সিঙ্গলসকী কাঙলূপ্তুনা ইষ্টোনিয়াগী এনেট কোন্টাভেটনা গ্রিসকী মারিয়া সকারিবু ৬-২, ৭-৫দা মায়থীবা পীরগা টাইটল ফংখি।

সেমীফাইনেলদা সকারিনা নম্বর ৱান সিদেদ পোলেন্দগী আইগা সিৱাটেকপু ৬-৪, ৭-৫দা থোইখি। অদুগা এনেট কোন্টাভেটনা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা অনীশুবা সিদেদ চেক রিপব্লিককী পেট্রা কিটোভাবু ৬-০, ৬-৪দা থোইরম্বনি। মমাংগী চহীদা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু বেলারুসকী এরিনা সভালেনকানা লৌখিবনি। অদুবু হন্দক্কী সিজন অসিদা মহাক শরুক য়াখিদে।

# ইন্দিয়াগী জ্যোথি সুরেখা ৱর্ল্ড আর্চরিদা সিলভর মেদল ফংখ্রে

য়াঙ্কটোন, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী): য়ু এস এগী সাউথ দেকোটাদা লৈবা য়াঙ্কটোনদা পাঙথোক্লিবা ৱর্ল্ড আর্চরি চেম্পিয়নশিপকী নুপীগী কম্পাউন্দ ইন্দিভিজ্যুএল ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী আর্চর জ্যোথি সুরেখা ভেনাম মায়থীদুনা সিলভর ফংখ্রে।

জ্যোথি সুরেখা ভেনামনা ঙরাং অথেংবদা লম্বা তৌনখিবা ফাইনেল অদুদা কলম্বীয়াগী আর্চর সারা লোপেজকা থেংনখিবনি। সারা লোপেজ নুপীগী কম্পাউন্দগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবনি। তেনজৈ ১৫গী ফাইনেল অদুদা ইন্দিয়াগী আর্চর জ্যোথি সুরেখা ভেনাম শুপ্নগী পোইন্ট অনীখক শোথুরগা মায়থীহৌবনি।

অহানবা রাউন্দদা জ্যোথি পোইন্ট ২৮-২৯দা শোথুখি। অনীশুবা রাউন্দদা আর্চর অনীমক্না পোইন্ট ২৯-২৯দা লৈখিবদগী পূন্না পোইন্ট ৫৭-৫৮দা শোথুখি। অহুমশুবা রাউন্দগী তেনজৈ অহুম কাপ্পবদা সারানা পোইন্ট ৩০ ফংলগা জ্যোথিনা ২৯ ফংখি। মরিশুবা রাউন্দদসু জ্যোথি পোইন্ট ২৮-২৯দা শোথুদুনা লৈখি। অদুগা মঙাশুবা অমদি অরোইবা রাউন্দ অদুদা জ্যোথিনা পোইন্ট ৩০-২৯দা হেনখ্রবসু অপূনবা স্কোরদা পোইন্ট ১৪৪-১৪৬তা লৈখিবদগী গোল্ড ফংখিদবনি।

পনবা য়াবদি, চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অমসুং মিক্স টিম ইরাইনুমীৎতা পাঙথোকখিবা ফাইনেলদসু মায়থীদুনা সিলভর ফংহৌবনি। চেম্পিয়নশিপ অসিগী পুৱারীদা ইন্দিয়া গোল্ড ফংবা ঙমদ্রি।

# সুদিরমান কপ ২০২১দা ইন্দিয়া থাইলেন্দগী মখূৎতা অহানবা মেটচ ১-৪দা মায়থীখ্রে

ভান্টা, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী): ফিনলেন্দনা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি ভান্টাদা ঙসিদগী হৌখিবা ১৭লকশুবা সুদিরমান কপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী গ্রুপ ষ্টেজদা ইন্দিয়া থাইলেন্দগী মখূৎতা গ্রুপ এগী অহানবা মেটচ অদু মেটচ ১-৪দা মায়থীবা নংখি। টুর্নামেন্ট অসি চহী ২/২ লৈরগা লৈবাকশিংগী মিক্স টিমনা লম্বা তৌনবনি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নুপাগী সিঙ্গলসতা নুপাগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান থাক ফাওবা য়ৌবা ঙম্লম্লবা কিদম্বী স্রিকান্ত থাইলেন্দগী ৱর্ল্ড নম্বর ২৫দা লৈরিবা কুনলাবুট বিদিদসার্নগী মখূৎতা মায়থীবা নংখি। মেটচ অদুগী অহানবা গেম বিদিদসার্ননা ২১-৯দা থোইখি। লোয়ননা অনীশুবা গেম অদুসু চপ মান্নবা স্কোরদা বিদিদসার্ননা থোইদুনা কিদম্বী স্রিকান্ততা থম্লম্বা থাজবা অদু মাঙখি।

লৈবাক অনীগী টাই অদুগী অহানবা মেটচ অদু নুপাগী দবলসকী ওইনা এম আর অর্জুন অমসুং ধ্রুবা কাপিলানা থাইলেন্দগী সুপাক জে াংকো অমদি কিটিনুপোং কেদ্রেনগা থেংনবনি। মদুদা পুংখায় অমা হেন্না লম্বা তৌনরবা মতুং ইন্দিয়াগী প্যের অদুনা ২১-১৮, ২১-১৭তা মায় পাকখি।

অনীশুবা মেটচতা নুপীগী সিঙ্গলসকী ওইনা ইন্দিয়াগী মালভিকা বনসোদ অমদি পোনপাৱি সোসুৱোংগা লম্বা তৌনখি। বনসোদনা ফনা কন্না হোৎনরবসু পোনপাৱিগী মশান্না অদুদা অকনবা লম্বা পীবা ঙমখিদবদগী ১১-২১, ১৪-২১দা মায়থীদুনা ইন্দিয়া অমসুং থাইলেন্দ মেটচ অমমম্ থোইনখি। অহুমশুবদা স্রিকান্তগী মায়থীখিবা মেটচ অদু ওইখি।

মরিশুবা মেটচ ওইনা নুপীগী দবলসকী লম্বাদা ইন্দিয়াগী অশ্বিনি পোনাপা অমসুং এন সিকি রেদ্দিনা থাইলেন্দগী জোংকোলফান কিটিথারাকুল অমসুং রাৱিন্দা প্রজে াংজাইগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা গেম অদু য়াম্না নক্কনা পোইন্ট ২১-২১দা লৈনরবা মতুং থাইলেন্দগী প্যের অদুনা থংনবা পোইন্ট ২ লৌরগা ২৩-২১দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা গেম অদু থাইলেন্দগী মায়কৈদগী য়াম্না হেন্না ফজখিবদগী ২১-৮দা থোইরগা টাই অদু মেটচ ৩-১দা মাঙজিলথাখি।

অরোইবা ওইনা মিক্স দবলসকী লম্বাদা ইন্দিয়াগী সাই প্রনিট অমদি টানিসা ক্রাষ্টোগী প্যেরনা থাইলেন্দগী দেচাপোল অমদি সাবস্রিগী প্যেরগা থেংনখিবা মেটচ অদু শুপ্নগী মিনট ৩৩দা থাইলেন্দগী প্যের অদুনা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৩, ২১-১১দা থোইরগা গ্রুপ এগী অহানবা রাউন্দ অদু থাইলেন্দনা ৪-১দা থোইখি।

গ্রুপ অদুদা হান্নগী চেম্পিয়ন ওইরিবা চাইনানা য়ূম্বু ফিনলেন্দবু ৫-০দা থোইখি। হয়েং ইন্দিয়ানা চাইনাগা লম্বা তৌনরগা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা ফিনলেন্দগা অহুমশুবা মেটচ থেংনগনি।

# ৪৬শুবা কুমওন পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): মণিপুর সোফটবোল এসোসিএসনগী ৪৬শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি য়াইস্কুলগী জন্মস্থানদা লৈবা সিকো কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ মহেন্দ্র প্রটাপ, সেক্রেটরি কে ঐচ মোহনলাল, সিকোগী প্রসিদেন্ট সরুংবম জিটেন্দ্রসু শরুক য়াখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা এসোসিএসন অসিগী নেসনল থাক্তা শান্নরুবা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয়শিংদা সর্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি।

# ১৭শুবা গভর্ণর কপ ফেন্সিং

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসননা ওক্টোবর ১৬তগী ২০ফাওবা ১৭শুবা গভর্ণর কপ ষ্টেট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি। হীরম অসিগা মরী লৈননা ফেন্সরশিং অমদি এসোসিএসনশিংনা ওক্টোবর ১০ ফাওবগী মনুংদা চহীগী ওইবা রেজিষ্ট্রেসন ফীশিং অদু রিন্যু তৌগদবনি হায়রক্লি।

# ওলেক্সান্দর উসিকনা এন্থোনি জোসুৱা থিন্দুনা ৱর্ল্ড হেভিৱেথ বোক্সিং চেম্পিয়ন ওইখ্রে

লন্দন, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী): লন্দনদা লৈবা টোটেনহাম হোটস্পর ষ্টেদিয়মদা ভাবোক লিশিং ৬৬কী মাংদা মফম অদুগী হেভিৱেথ বোক্সর এন্থোনি জোসুৱাবু য়ুক্রেনগী বোক্সর ওলেক্সান্দর উসিকনা রাউন্দ ১২গী লম্বা অদুদা জজশিংগী অমত্তা ওইবা ৱারেপ্পা মঙোন্দা পোইন্ট হেন্না পীখিবদগী অনৌবা ৱর্ল্ড হেভিৱেথ চেম্পিয়ন ওইরে।



ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা বাউট অদুদা য়ুক্রেনগী বোক্সর অদুনা বাউট অদুগী ওইনা লৈখিবা জজ অহুম্না পীরকপা স্কোরদা ১১৭-১১২, ১১৬-১১২ অমসুং ১১৫-১১৩দা পোইন্ট হেনখিবদগী হান্না ৱর্ল্ড হেভিৱেথ চেম্পিয়ন ওইরম্বা এন্থোনি জোসুৱাগী টাইটল অদু মুনবা ঙমখি। মমাংদা ওলেক্সান্দর উসিক ক্রুজর ৱেথকী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্বনি। মহাক্না হেভিৱেথ করিয়র ওনখৎলকপদা ঙরাংগী বাউট অদু থারগা অহুল্লক শুবদা ঙাইরি।

মহাক্না প্রোফেসনেল বোক্সর অমা ওইনা শরুক য়ারকখিবদা বাউট ১৯গী লম্বা পূম্নমক মায় পাক্লুনা লাক্লি। মহাক্না বোক্সিংগী পুৱারীদা য়ু এস এগী ইভান্দর হোলিফিল্ড অমসুং বৃটেনগী দেভিদ হে অনীনা ক্রুজর ৱেথ অমদি হেভিৱেথ টাইটল ফংবা ঙমখিবা বোক্সর ওইরম্লবা মতুংদা অহুমশুবা বোক্সর ওইবা ঙম্লি।

নীংশিংবা য়াই, য়ুক্রেনগী বোক্সর ওলেক্সান্দর উসিক কুমজা ২০১২ লন্দন ওলিম্পিক গেমসতা হেভিৱেথ চেম্পিয়ন ওইখিবনি। অদুগা ঙরাং মহাক্কী মখূৎতা মায়থীবা নংখিবা বৃটেনগী এন্থোনি জোসুৱানা ওলিম্পিক গেমস অদুদা সুপর হেভিৱেথকী গোল্ড মেদল ফংখি। ওলেক্সান্দরনা য়ুক্রেনগী বোক্সিং পুৱারীদা লাদিমির অমসুং ভিটালি মচিন-মনাওগী মতুংদা ৩শুবা হেভিৱেথ চেম্পিয়ন ওইরি।

# চেন্নাই সুপর কিংসনা কোলকাটা নাইট রাইদর্সপু ৱিকেট ২দা থোইখ্রে

অবু ধাবী, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা লীগ অসিগী ৩৮শুবা মেটচতা চেন্নাই সুপর কিংসনা কোলকাটা নাইট রাইদর্সপু ৱিকেট ২দা থোইবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস কোলকাটা নাইট রাইদর্সনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌরকপদা ওভর ২০দা বেটসমেন ৬ আউট ওইরগা রন ১৭১ লৌবা ঙমখি। কোলকাটা নাইট রাইদর্সকী মায়কৈদগী হৌরকপদা ফীভম শোকখ্রবসু ট্রিপাথিনা রন ৪৫ লৌরমখিবা লোয়ননা নিটিশ রানানা আউট ওইদনা রন ৩৭ লৌরম্বা অমদি রসেল অমসুং কার্থিকনা মথংশিৎনা রন ২০ অমসুং ২৬ লৌরম্বা অদুনা রন ১৭১ শুখি।

চেন্নাইগী মায়কৈদগী হেজল ৱুদ অমসুং থাকুরনা ৱিকেট ২/২ লৌবা ঙমখি। মায় পাক্নবা রন ১৭২ অদু য়ৌনবা হোৎনরকপদা চেন্নাই সুপর কিংসকী মায়কৈদগী ওপনর রুটুরাজ গেক্বাদ অমদি ফাব দু প্লেসিসনা মথংশিৎনা রন ৪০ অমসুং ৪৩ লৌরম্বা অদুনা চেন্নাইগী ফাউন্দেসন অদু শেম্বা ঙমখি। অহুমশুবা বেটসমেন মোইন অলি রন ৩২ লৌরমখি। মখা তারকপা বেটসমেনশিংগী মনুংদা রবিন্দ্র জাদেজানা য়াম্না খোঙজেল য়াঙবা মওংদা শুপ্নগী বোল ৮দা সিক্স অমসুং ফোর ২/২ য়ৈরগা রন ২২ লৌরম্বা পর্ফোর্মেন্স অদু পনবা য়াই। অতোপ্পা বেটসমেনশিং আউট ওইরকপদগী অরোইবা ওভরদা সর্দুল থাকুর অমদি দিপক চাহরনা আউট ওইদনা মথংশিৎনা রন ৩ অমদি ১ লৌরগা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৭২ য়ৌদুনা মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ২দা থোইখি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী ৩৯শুবা মেটচ ওইনা রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোর অমসুং মুম্বাই ইন্দিয়ন্স লম্বা তৌনগদৌরি।

# পি এস জি, য়ুভেন্টস মখোয়-মখোয়গী মেটচ থোইখ্রে, এটলেটিকো মাদ্রিদ মায়থীখ্রে

পেরিস, সেপ্টেম্বর ২৬ (এজেন্সী): য়ুরোপকী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা চথবা লৈবাকশিং অদুগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা ফ্রান্সতা পাঙথোকপা লীগ ৱানগী মেটচ অমদা মমাংগী চেম্পিয়ন পেরিস সেন্ট জর্মেন মায় পাকখ্রে। ইটালিদা পাঙথোকপা সেরি এগী মেটচ অমদা য়ুভেন্টসসু মখোয়গী মেটচ থোইবা ঙমখ্রে। অদুবু স্পেনদা পাঙথোকপা লালিগাগী মেটচ অমদা মমাংগী চেম্পিয়ন ওইরিবা এটলেটিকো মাদ্রিদ অলাভেসকী মখূৎতা মায়থীবা নংখ্রে।

ঙরাং পেরিসতা শান্নখিবা লীগ ৱানগী মেটচ অমদা পেরিস সেন্ট জর্মেন অমসুং মোন্টপেলিয়র লম্বা তৌনরকপদা পি এস জিনা পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থারি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ১৪শুবা মিনটতা এঞ্জল দি মারিয়ানা পীরকপা বোল অমদা ইদ্রিসা গুইরেনা চনখিবনি। পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইশিনখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফকী লোইরমদাই ৮৮শুবা মিনটতা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা জুলিয়ন দ্রেস্লরনা নেমারনা পীরকপা বোল অমদা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

রোমদা শান্নবা সেরি এগী মেটচ অমদা য়ুভেন্টসনা সাম্পদোরিয়াবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইবা ঙমখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ শান্নরকপদা শুপ্নগী ১০শুবা মিনটতা য়ুভেন্টসকী মায়কৈদগী পাওলো দিবালানা পীরকপা বোল অমদা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অনীশুবা পাঞ্জল অদুসু টিম অদুগী মায়কৈদগী এল বোনুচিনা পেনাল্টি অমগী মতেংদা চনবা ঙমখি। হাফ লোইগদবা মিনট ১তা ঙাইরবা মতমদা সাম্পদোরিয়াগী মায়া য়োসিদানা পাঞ্জল ১ চনবা ঙমখি। অনীশুবা হাফতা য়ুভেন্টসকী মায়কৈদগী লোকাটেলিনা ৫৭শুবা মিনটতা টিমগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেটচ লোইরমদাইদা সাম্পদোরিয়াগী কান্দ্রিভানা পাঞ্জল অমা চল্লগা য়ুভেন্টসনা ৩-২দা মায় পাকখি।

স্পেনগী লালিগাগী মেটচ অমদা মমাংগী চেম্পিয়নসু ওইরিবা এটলেটিকো মাদ্রিদ অলাভেসকী মখূৎতা ০-১দা মায়থীবা নংখি। মেটচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ৪ চঙশিল্লকপদা অলাভেসকী কোনর কিক্ অমদগী লাকখিবা বোল অদু ভিক্টর লাগ্বার্দিয়ানা পাঞ্জল ওন্থোকখি। এটলেটিকো মাদ্রিদনা ফনা কন্না হোৎনরবসু শান্নবগী অপীবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মখোয়না সিজন অসিদা শরুক য়ারকখিবা কম্পিটিসনশিংদা শান্নখিবা মেটচ ৭ থংন-থংননা মায় পাক্লুনা লাকখিবা রেকোর্দ অদু কায়খ্রে।

জর্মনিগী বুন্দেসলিগাদা দোর্টমুন্দনা বোরুসিয়া মোনচেনগ্লাবাককা শান্নখিবা মেটচ অদুদা শুপ্নগী পাঞ্জল ০-১দা মায়থীহৌখি।

# ৱাই ও এস সী খুরাইনা কে ৱাই ভি ও বিষ্ণুপুরবু থোইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৬ (ঐচএনএস): য়ুঠ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লব (ৱাই ও এস সী) খুরাইনা ক্বাসিফাই য়ুঠ ভলন্টিয়র ওর্গনাইজেসন (কে ৱাই ভি ও) বিষ্ণুপুরবু ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্লিবা অহানবা কর্নেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিয়ল য়ু-১৮ বোইজ ফুটসাল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ দিগী মেটচ অমদা ৫-৪দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি নুংথিল শান্নখিবা মেটচ অদুদা ৱাই ও এস সীগী মায়কৈদগী এম দি সোহৈনা পাঞ্জল ২, কুমশোক রহিংনা পাঞ্জল ১ অদুগা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ৯না পাঞ্জল ২ চল্লগা পূন্না পাঞ্জল ৫ শুখি। অমরোমদা, কে ৱাই ভি ওগী মায়কৈদগী এস ধনচন্দ্রনা হেটট্রিক ফংখি। অদুগা দিপক লাইশ্রমনা টিম অদুগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু চনখি।


টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল মেটচশিং হয়েং নুংথিল শান্নগনি। নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা গ্রুপ এগী ৱিন্নর ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমিগা গ্রুপ বিগী ৱিন্নর ষ্টার স্পোর্টিং ক্লব পোরোম্পাৎকা শান্নগনি। অদুগা নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা রাইজিং এথলেটিক য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমসুং ফুটবোল ক্লব লমজাও ককচীংগা থেংনগনি। থা অসিগী ২৮দা সেমীফাইনেলদা মায় পাক্লকপা টিম অনী ফাইনেল শান্নগনি।







# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 241

**Vizantiadis, Lazaros GRE - Westerinen, Heikki FIN**
**18th olm qual. group 6 Lugano SUI (4), 1968.10.21**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.Nf3 g6 | 3.Bg5 Ne4 | 4.Bh4 b6 |
| 5.Nbd2 Bb7 | 6.Nxe4 Bxe4 | 7.Nd2 Bb7 | 8.e4 Bg7 |
| 9.c3 O-O | 10.Bc4 d5 | 11.exd5 Nd7 | 12.O-O Nf6 |
| 13.Re1 Nxd5 | 14.Nf3 Re8 | 15.Qb3 h6 | 16.Ne5 a6 |
| 17.a4 g5 | 18.Bg3 e6 | 19.Rad1 Qf6 | 20.Bd3 Nf4 |
| 21.Bxf4 Qxf4 | 22.g3 Qf6 | 23.Be4 Bxe4 | 24.Rxe4 Qd8 |
| 25.Rde1 Qd6 | 26.Qd1 Re7 | 27.Qh5 c5 | 28.Qf3 Rc8 |
| 29.Nc4... | | | |

**QUESTION :**
**White to Win or Draw**

**Puzzle 239 Ans. :**
51. ...Qh3+ 52.Nxh3 Bxh3+ 53.Kf2Rg2+ Double check
54. Kf1 Rg4# With a discovered check by the black bishop.
Double bishop mate
51. ...Qh3+ 52.Nxh3 Bxh3+ 53.Ke1 Rd3#
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com